থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অখূবা পোলিটিক্সনা নীংশিংহল্লকপা নুমিৎ অমা



'নাইন ইলেবেন' হায়না অমেরিকাদা নীংশিং থৌরম ওইনা পাঙথোক্লরিবসি - ২০০১ সেপ্টেম্বর ১১, লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা, অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লিবা অমেরিকাগী নাপল থুদেক্তুনা, টালিবানশিংগী লান্মী শঙলুপ 'অল কাইদা' গী লান্মী খূৎপু অমনা, 'ন্যু য়োর্ক' সহরগী অতিয়া পক্লা ৱাংনা লেপ্লিবা বিল্ডিং অনী (ৱার্ল্ড ট্রেদ সেন্টর) দা অচৌবা এরোপ্লেন অনীনা থোমগায়দুনা লৈমায়দা উফুল ওলহনখিবা থৌদোক অদু নীংশিংলগনি। থৌদোক অদুদা মীওই ২৯৯৭ শিখি ৬০০০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখি দোল্লর বিলিয়ন তরাগী মথক্কী ভেল্যু ওইগদবা য়ুম-কৈ, মাল-চাং মাঙ-তাকখি। ঙসি ফাওবগী 'অমেরিকান হিষ্টরি' দা অদুমুক চাউনা অমেরিকাদা কনাগুম্বা অমনা শীংনবগী থৌদোক অমুত্তুসু থোকখিদ্রি। ... অমেরিকানশিংনা হায়জবনি। 'প্রসিদেন্ট বুস' না লাউথোকখি ... 'অমেরিকাবু অসুম্না শাউহনগনু'...। ইকুই কুইদনা অফঘানিষ্টানদা লান্দাদুনা টালিবান লৈঙাক লোইশিনখি। ওসামা বিন লাদেনবু মীরোৎ ওইহনখি। চহী তরাগী মতুংদা, পাকিষ্টান আর্মি - হেদক্বার্টর মনাক্তা চেকশিন্না ঙাক-শেল্লিবা মফম অমদা অমেরিকান নেভি সিল কম্মান্দোশিংনা কাপ্পুনা হাৎখি।

সেপ্টেম্বর ১১, ইন্দিয়াগী মোদর্ন হিষ্টরিদা থোইনা মরু ওইবা থৌদোক অমা থোকখিদবা, অফাওবা পোলিটিকেল লীদর অমত্তগী মপোক নুমিৎ/শিবা নুমিৎ তাখিদবা মরম্না, নুমিৎ অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি কৈদৌঙৈদসু মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইরকখিদে।

অদুবু, ঙসিগী নুমিৎ অসি ইখঙ-খঙহৌদনা মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইনা উরকই। মরম? ঐখোয়' ঈরমদমসিদদি ৱা ওইনা ঙাংনদবনা খঙনদে। স্বামি বিবেকানন্দনা, ঙসিদগী ১২৫ গী মমাঙদা, ঙসিগী নুমিৎসিমক্তদা (সেপ্টেম্বর ১১, ১৮৯৩), অমেরিকাগী চিকাগোদা পাঙথোকপা 'ৱার্ল্ড পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজন' দা ৱা ঙাংখিবা নুমিৎ অদু নীংশিংদুনা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর 'নরেন্দ্র মোদি' না পীবা ৱারোল অদু 'য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন' (য়ু জি সী) না ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসন ৪০,০০০ রোমদা সার্কুলর অমা থোক্তুনা, মহৈরোয়শিংদা 'লাইব টেলিকাষ্ট' তৌদুনা তাহনগদবনি হায়না য়াথং অমা তৌখিবদুগী মায়োক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্নমেন্টনা শীংনখিবা, বেঙ্গল মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী য়াথং অদু কনামত্তনা ইনবা য়ারোই হায়দুনা মমতা বেনর্জিনা লাউথোকখিবা অদুনা ঙসিগী নুমিৎ, সেপ্টেম্বর ১১, ২০১৭ অসি মীয়াম্না খঙনরকপনি। স্বামি বিবেকানন্দগী 'দি গ্রেত চিকাগো স্পীচ' অদুগী মরমদদি অয়াম্বনা খঙনরমগনি। ইন্দিয়ন রিলিজন অমদি স্পিরিচুয়েল ভেল্যু নোংচুপলোমদা ইহান-হান্না শক্তাক্লম্বা স্বামি বিবেকানন্দনি - পূম্নমক্না হায়নবনি। মহাক্কী লেকচর অমদি তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী শক্লাইবা স্কোলর কয়াগা মায়োক্লনা তৌনবা অৱায়-অখুম (ডিসকোর্স) ময়ামদু তারগা ময়াম পূম্নমক্না য়ানখি - 'নরেন্দ্রনাথ দট (স্বামি বিবেকানন্দ) মালেমগী ধর্ম্ম পূম্নমক্কী অসূপ্পা গুরু অমনি'।

ইন্দিয়াদা লৈবা হিন্দু-ধর্ম্মগী সংস্থান অমত্তনা, মালেমগী ওইবা পার্লিয়ামেন্ট ওফ রিলিজনদুদা ৱা ঙাংলুনবা এক্সপর্ট ওইনা খল্লকপা নত্তে, কনামত্তনা বার্তন তৌরকপা নত্তে। মহাকপু পার্লিয়ামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মীহুৎ ওইনা থাদবা য়াদে ৱারেপখিবা, চিকাগো তম্না চৎননবা অচঙবা শেল পুথোক্লবগী থৌদাং লৌখিবদি - মহা ওইরিবা স্বামিগী মদ্রাসকী তুংইনবশিং, নরেন্দ্রনাথপু বিবেকানন্দ মীংলেন ওন্থোকখিবা ক্ষেত্রিগী রাজা, রামনদকী রাজা, মহিসুরগী মহারাজা, অতৈ অঙম-অথৌশিং অমদি মহাক্কী অতৈ খোঙলোয়শিংননি। মখোয় কনানসু খঙখিদে - মীফম অদুদা য়াওবা য়ানবগী টর্ম এন্দ কন্দিসন করিনো? কৈদৌঙৈ ফমগনি? মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা চপ য়ুংবা ফিরেপনি - মীফম অদুদা ইন্দিয়াগী মীহুৎ (ডেলিগেট) অমা ওইনা বিবেকানন্দবু ৱা ঙাংহনগনি।

চিকাগো য়ৌরবা মতুংদা, পার্লিয়ামেন্টকী মীফম ফমগদবা মতম থা অনী হেন্না ৱাৎলল্লি, মশাদা য়াওবা শেনফমনা সেপ্টেম্বর ফাওবা লৈথবা কোন্নবই আশা উরক্ত' লাংতক্লরিঙৈ কনাগুম্বা খরনা লম্বী তাক্লকখি - চাব-থকপা লৈবগী মমল খরা হন্থবা 'বোষ্টোন' দা লৈরুবনা শাফগনি। বোষ্টোন চৎপই লম্বীদা মরল লৈবী, ঈনাক খুনবী নুপী অমা থেংনদুনা মাগীদা মীথুং ওইনা লৈরকখি। মফমদুদা মী মখল কয়া থেংনখি। ৱারী কয়া শানখি। ময়ামদুগী মরক্তা অমনি - হরভর্ট য়ুনিভর্সিটিগী (গ্রীক-লোলগী) প্রোফেসর 'জে ঐচ রাইট'। প্রোফেসর রাইটনা মঙোন্দা ইনশিনখি - হিন্দু ধর্ম্মগী মরমদা ঙাংঙু। বিবেকানন্দনা খুমখি - হিন্দু রিলিজিয়স ওর্গনাইজেসন/ইন্সটিট্যুসন অমত্তগী শক্তাক চেসু য়াওদনা ঐবু কনানা শক্তাকপীগনি? প্রোফেসর রাইটনা মোমোন নোক্লা খুমখিবনি ... 'স্বামিজি! নুমিৎনা মঙাল পীববু হক তানবা নাইনবরা?'

পার্লিয়ামেন্ট অদু শীল্লিবা মরুওইবা মীওই কয়াদা প্রোফেসরনা চিঠি ইখি, মশামক চৎতুনা উনরুই। মহাক্লা হায়খিবা মরোলদুগী খ্বাইদই মচং ওইবা শরুক্তি ... 'ঐনা শক্তাকচরিবা, ডেলিগেট অমা ওইহন্নবা হোৎনজরিবা নুপা অসিগী মরমদা ৱাহৈসিখক্তং হায়জগে, মদুদি, পার্লিয়ামেন্ট অসিদা ৱা ঙাংবা লাকপীরিবা অখঙ-অহৈ-স্কোলর ময়াম পূম্নমক অসিগী অপূনবা লৌশিং অদুগা মহাক্কী লৌশিং অসিগা লম্বা পারবসু, মহাক্কী মনাক নক'ঙল্লোই'...। অসুম্না ওইখি বিবেকানন্দ, পার্লিয়ামেন্টতুদা ডেলিগেট।

'লেদিজ এন্দ জেন্টলমেন' ... হায়বা মল্লবা ৱাহৈদুগী মহুৎতা 'ব্রদর্স এন্দ সিষ্টর্স' ওফ অমেরিকা'... হায়না হৌবদা খূখিবা পূমনিন নিনবা খুবাক্তুগী মতুংদা পুং কয়া মমায় মমীৎ থাঙ্গত্তনা, ময়া কানা থমখিবা ডেলিগেটশিং অদুননি চোইনা চাইনা তাদুনা কনানসু থওইরুদ্রবা ইন্দিয়ন স্পিরিচুয়েল ট্রেদিসন অমুক খোমজিনবা হৌরকখিবা।

পাউদম অসি তম্লিঙৈ ৱাফম অমসু চীখদনা তম্নীংলকই। চিকাগো চৎলমদাই নোংমা ট্রেন অমদা মশা-নানবা বৃটিশ মচা অনীখক্লা মনাক্তা ফম্লিবা লম্বোইবই ফিজোল শেৎপা পাখং মচা অদুদা ইংলিস লোলনা করেম-কথায়নরম্মী। নুপা অদু করিমত্তা তাশিন্নদনা লৈবদুদা বৃটিশশিংদুনা খনখি 'লোল খঙদদুনা তৌরিবনি'। থংনবা ষ্টেসন অমদা টিকেট একজামিনর অদুগা লম্বোইবদুগা ফজব-নীংথিবা ইংলিসতা ৱারী শানবদু তাবদা ঙক্লা হংলকখি, 'মিষ্টর প্রিষ্ট! ঙসাইমখৈ করিমত্তা খুন্নক্ত্রিবা করিগীনো'?

লম্বোইবনা খুম্লকখি 'নহাক্কুম্বা ৱাখল য়াওদবা ষণ্ডগুম্বা মী থেংনবদি ঙসিনা অহানবা নত্তে'। নুপা-পাখং লম্বোইবদু স্বামি বিবেকানন্দনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকপা

হকচাংগী অরূম্বা হেনবগা লোয়ননা খ্বাঙ নোয়বা মীওইশিং প্রোষ্টেট কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

মশাগী চহী ৫২ হেল্লবা, ইটলি, স্পেন, বৃটেন, নেদরলেন্দস, গ্রীস, জর্মনি, স্বিদেন অমসুং দেনমার্ককী মীওই ১৪১,৮৯৬ কী মওং মতৌ রিছার্চরশিংনা কুপ্না য়েংশিনখি।

চহী ১৪ চুপ্না চথখিবা ষ্টদি অদুদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীওই ৭,০২২ প্রোষ্টেট কেন্সরনা নারকপা থেংনখি। বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংখৎল-কপগা লোয়ননা পুক অমসুং খ্বাঙ মপাদা নোয়বা মীওইশিং কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্কৱাংইহায়বা খঙলকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী রিছার্চর টিম অমনা পাঙথোকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি স্বিদেনগী গোটনবর্গতা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন ওবেসিটি সমিটতা পুথোরকখিবনি।

মরকসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, মীরোল্লিঙৈ মনুংদা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা নুপীশিংনা অনোয়বা অঙাং পোক্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। কেন্সর, পর্মেনেন্ট সেন্টর ফোর হেল্ঠ রিছার্চকী টেরেসা হিলিয়রনা হায়খি, নুপী ওইবীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মনুংদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ ব্লদ সুগর অমসুং বোদি ৱেথ হেনগৎ-হন্দনবা হোৎনগদবনি। মীরোল্লিঙৈ মনুংদা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ব্লদ গ্লুকোজ ৱাংখৎলক্লবদি পুক্নুংদা লৈরিবা অঙাংগী মেটাবোলিজমদা অকায়বা থোকহন্দুনা অনোয়বা অঙাং পোক্লকপা য়াই।

রিছার্চরশিংনা তোঙান তোঙানবা নুপী ২৪,০০০ রোমদা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'মেটর্নেল এন্দ চাইল্ড হেল্ঠ' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

মীপুম খুদিংমক চুং ফিরাল চানা অমসুং মশা মউ ফনা লৈবা পাম্লবসু হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংদি লৌখৎনদে। মরম অদুনা হকচাংগী অরূম্বা হেনবা মীগী মশিং অসুম অসুম হেনগৎলকপনি।

চাং নাইনা দিটোক্স ড্রিঙ্ক থক্লবদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবগা লোয়ননা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোকই অমসুং নোংমদা হকচাংনা মথৌ তাবা ন্যুট্রিয়েন্ট পূম্নমক ফংবা ঙম্মী। কনাগুম্বনা নুমীৎ খুদিংগী চম্প্রা মহী, খোইহী অমসুং শীং তীংবগী মহী থক্লবদি হকচাংগী অহেনবা ফেটশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা কান্নবা ন্যুট্রিয়েন্ট কয়ামরুম ফংবা ঙম্মী।


হকচাংগী অরূম্বা হন্থহন্নবগীদমক চম্প্রা অমসুং কোল্লা অশোয়বা তীংবগী মহী থকপা কান্নগনি। চম্প্রানা লিভরদগী বাইল লৌথোক্লগা ইন্টেষ্টাইনদা থাদোকখিবা ঙম্মী অমসুং এন্টিওক্সি-দেন্টকী মগুন চেনবা কোল্লানা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোকপা ঙম্মী।



গ্রীন টি অমসুং চম্প্রা মহীগী কান্নবা মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরে। অদুবু অনী অসি য়ানশিন্নরগা থকপনা অমুক্কা হেন্না কান্নৈ হায়বা মীওই অয়াম্বনা খঙনদে। গ্রীন টিদা চম্প্রা মহী শুমজিল্লগা থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবগী মথক্তা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদসু মতেং পাংই। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মতম মতমগী অতেকপা মনা-মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চারবদি হকচাং ফনা অমসুং অনা-অয়েক য়াওদনা লৈহল্লি।

হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে। হন্থবা শরুক অদু অমুক হেনগৎলক্তনবা হোৎনবা হায়বসিনা অমুক্কা হেন্না ৱাবা থবক্লি। য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদোগী রিছার্চর টিম অমনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎ-হন্দনবগীদমক ইশা ইশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎচবগী তঙাইফদবা লৈ। মতম শাংনা চথুগদবা ৱেথ লোস প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াবসু কান্নগনি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরেদোগী নিয়া এস মিটচেলনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, থম্মোয়গী লায়না লৈবা অমসুং দাইবেটিসনা মরম ওইরদুনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অদুবু হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনখিবা মতমদা লায়নাশিং অসি নারকপা য়াবগী রিস্কসু মথন্তা হন্থজখি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংমক নুমীৎ খুদিংগী হকচাং লেঙ-ওৎপা থবক তৌবগা লোয়ননা চাকচা-য়ুথক শেমদোক্তুনা পুন্সি মহিং শেমদোকপা মথৌ তাই।




# পব্লিক লাইব্রেরী এক্ট মপূং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌগনি : শ্যাম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ :

মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরী এক্ট মপূং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়না সী এ এফ এণ্ড পি ডি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লাইব্রেরীগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা লাইব্রেরীগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।




লৈখিদ্রবা ডা. হুইরোংবম অতুলচন্দ্রগী ইমুং মনুং অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা খূৎশম্মনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা অসিনা মণিপুরদা পব্লিক লাইব্রেরী লিংখৎনবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংবা ওইনা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এণ্ড পি ডি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, লাইব্রেরী হায়বসি ৱাখল-লৌশিং তানশিনফম ওইরিবা য়াম্না মরুওইবা অমনি। লাইব্রেরীগী ঈহৌ অসি কনখৎহনবা তঙাইফদে। লৈখিদ্রবা হুইরোংবম অতুলচন্দ্রনা মণিপুরদা লাইব্রেরীগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিং ঐখোয় পূম্নমক্না নীংশিংফম থোকই।

পব্লিক লাইব্রেরী এক্ট ষ্টেট অসিদা মপূং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। লাইব্রেরীগী ঈহৌ কনখৎহনবগা লোয়ননা মসিগী কান্নবা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক ৱাখল-লৌশিং লৈবা মীওই কয়া লৈবা চঙই। লাইব্রেরী হায়বসিসু ৱাখল-লৌশিং তানফম ওইরিবা য়াম্না মরুওইবা মফমনি।

লাইব্রেরীগী মরুওইবশিং অসি ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না খঙমিন্নবগা লোয়ননা মপূং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি। লৈখিদ্রবা অতুলচন্দ্রনা মণিপুরদা লাইব্রেরীগী ঈহৌ শাগৎলম্বা অমদি লাইব্রেরীগীদমক কখোক্লম্বা কয়া অসি নীংশিংবগা লোয়ননা হীরম অসিদা থবক তৌমিন্নবা চঙই। ঐখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা খুন্নাইগীদমক অফবা থবক তৌনবা লেপ্পা তাই। লমদম অসিগী য়াইফনবগীদমক হিংলিবনি হায়বসি খনবা চঙই।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈরিবা আর্মি কেম্প অসি লৈহন্দনবা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবশিংদসু প্রেসর পীবা হৌরবনি। মহৈ-মশিনগী ওইবা য়াম্না মরুওইবা মফম অসিদা আর্মি লৈশিনবা চুমদে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হায়বসি অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম ওইবনা য়াম্না ইংন-চিক্লা মহৈ-মশিনগী ওইবা হীরমদা লৈহন্নবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি লাইব্রেরীগী লাইব্রেরীয়ন ইন চার্জ প্রোফেসর টিঐচ মধুরিনা হায়খি, মহৈরোয়শিং অমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা লাইব্রেরীগী মরুওইবা অসি খঙনবা এৱ্যেরনেস পীবা চঙই। লাইব্রেরীগী ঈহৌ শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লাইওইখ্রবা হুইরোংবম অতুলচন্দ্রবু নীংশিংদুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিবনি। লৈখিদ্রবা অতুলচন্দ্রনা হিংলিঙৈ মতমদা হোৎনরম্বা অমদি তৌরম্বা থবক থৌদাং কয়া অদু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না নীংশিংবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসর অদ্যা প্রসাদ পান্দেনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাইব্রেরীয়ন ডা. থৌনাওজম খোমদোননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রিসোর্ছ পর্সন কয়ানা লাইব্রেরীগী মরুওইবা অমদি লাইওইখ্রবা হুইরোংবম অতুলচন্দ্রনা লাইব্রেরী-গীদমক লৌরম্বা থৌদাং কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

মণিপুর ফাউন্দেসন ইম্ফালনা ফোঙবা লিফলেট অমগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা হুইরোংবম অতুলচন্দ্র কুমজা ১৮৯৭ গী সেপ্টেম্বরদা নাওরেম লৈকাইদা পোকখি। অপোকপগী মীংনা মুনান অপোকপীগী মীংনা চাওবী কৌই। অতুলচন্দ্র চীংঙা অমসুং জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস নাইন ফাওবা তম্লগা শিল্লোংদা মেট্রিক পাস তৌখি। কোলকটাদগী এফ এ পাস তৌরবা মতুংদা ডিব্রুগড়গী বেড়ি হ্বাইট মেদিকেল স্কুলদা এল এম পি তমখি। অরোইবা চহীদা হকচাংগী অনাবনা মরম ওইদুনা এগজাম থাবা ঙমখিদে। তুংদা বেনারসতা চৎতুনা হোমিওপেথী তমখি। ষ্টেনোগ্রাফী অমসুং একাউন্টে-ন্সিদসু মকোক থোংনা পাস তৌখি। কুমজা ১৯৩১ দগী খুন্নাইগী থবক্তা পুক্লিং লুপ্পা হৌরকখি। লৈত-লাইরা কয়া অয়েংমন লৌদনা লায়েংখি। ইদুকেসনগী লমদসু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা শীংথানিঙাই ওইবা থৌদাং কয়া লৌরমখি। কাঞ্চিপুর হাই স্কুলসু মহাক্লা লিংখৎলমখি। কুমজা ১৯৩৮ দগী মথং মথং ওইনা নামৈরাকপম লৈকাই, ক্যামগৈ, লংথবাল লেপ, নাওরেম লৈকাই, লংথবাল কুঞ্জ অমদি খোংজোমনচিংবদা এল পি স্কুলশিং লিংখৎখি। মহাক্লা লিংখৎলম্বা স্কুলশিং মমৈথংদা লৈঙাক্লা লৌশিনখি। মহাক্লা রঙ্গ মণ্ডির কৌবা দ্রামা হোল অমসু শাদুনা মণিপুরগী কলচরবু অৱাংবা থাক্তা য়োকখৎনবা হোৎনরম্মী। কুমজা ১৯৪৯ দা কাঞ্চিপুরদা সংস্কৃত তম্বা হৌদোকখি। অতুলচন্দ্র মণিপুরদা কোওপরেটিভ মুভমেন্টসু হৌদোকপদা থৌদাং কয়া লৌরম্মী। মফম কয়ামরুমদা শান্ন-খোৎনবগী ক্লব লিংখৎপদসু থৌদাং কয়া লৌরম্মী। মহাক্কী অপোকপীগী কুঠিগী মীং লৌরগা য়ুববতি মেমোরিয়েল লাইব্রেরী হায়না মীংথোনবা লাইব্রেরী অমা ১৯৩৩ দা শাদুনা মীয়ামদা কখোকখি। মালেমগী অইবা কয়াগী লাইরিক থমদুনা কনানা করি হায়রি অমদি করি পাম্লি হায়বদু খঙননবা হোৎনখি। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা থোকখিবা থৌদোক কয়ানা লাইব্রেরীগী পুৱারীদা থেংখাং কয়াদা চৈনা ফংখিদবসু নত্তে। মতম মতমগী হোংলক্লিবা শাফু কয়ানা অমদগী অমদা খুদোংচাবা মফম থিদুনা থাংদোক থাংজিন তৌবদা থেংখাং কয়াদা মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়া মাঙখি। শাংলবা চহী কয়াসিদা লাইব্রেরীগী পুৱারীগী ঈচেল লেপখিদনবা অকনবা থৌদাংগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মচানুপী অমসুং মচা-মনাওশিংনা ঙাক-শেন্দুনা থম্লকখি। কনবা য়াবা কলহৌরবগী তুংদা ঙসি তাশিন-খোমজিল্লগা মাঙলমচৎকী পুৱারীগী ঈচেলগা ঙসিগী খুন্নাইগী ঈচেলগা ঈতিন্নদুনা ঈপাক তম্না চেন্থহল্লি। লাইব্রেরী অসিগী অনৌবা শঙলেন শানবগীদমক চাউরবা মফম অমসু কৎতুনা মাঙলমচৎকী পুৱারীগী হৌজিক্কী খুন্নাইগা শমজিন্ননবা তাঞ্জা অমা পীবগীদমক মণিপুর ফাউন্দেসন ইম্ফালনা থাগৎলি হায়নসু মখা তারি।

# ডিমোক্রেসিদা ওল্লকপা কুমজা ২০১০ দা ম্যান্মারদা মীদিয়াগী মরূ হুনবা ঙম্লকখি : ওং টুন উ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ :

ম্যান্মারদা ডিমোক্রেসি লাকপা কুমজা ২০১০ দা মীদিয়াগী মরূ হুনবা ঙম্লকখি। চপ চাবা ফ্রীদম ওফ প্রেসতি কুমজা ২০১২ কী মতুংদা ফংখি হায়না য়াঙ্গোন জর্নেলিজম স্কুলগী এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর ওং টুন উনা ফোঙদোরকখ্রে।

ম্যান্মারদা লৈরিবা মণিপুরগী ডেলিগেট টিম অমনা ঙরাং ওং টুন উগা উনদুনা ৱারী শানখি। ৱারী শানখিবা অদুদা ওং টুন উনা ফোঙদোরকপদা ডিমোক্রেসি চৎপা ক্রোস বোর্দর লৈবাক্তা জর্নে-লিষ্টশিংনা ইথনিক এন্দ ট্রেদনচিংবা ইসূ কয়াদা মীদিয়ানা লৌরিবা থৌদাংশিং খঙনিংই। কুমজা ২০১০ দা ম্যান্মারদা মীদিয়াগী মরূ হুনবা ঙম্লকখি। ফ্রীদম ওফ প্রেসতি কুমজা ২০১২ গী মতুংদা ফংখি। হন্দক চহীদগী মহৈরোয়শিংগী ক্রোস বোর্দর এক্সপিরিয়েন্স ট্রেনিং চৎপা অসি ইন্দিয়া অমদি চাইনাদা চৎনবা তৌরি। চহীসিগী ওইনদি ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চৎলগনি। চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি, লৈবাক অনী অসি ম্যান্মারগী ওইনদি য়াম্না ইনফ্লুয়েন্সিভ ওইবনি। লৈবাক অনীসিদা থোকখিবা ইথনিক ইসূশিং ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা মীদিয়ানা লৌরিবা থৌদাং অমদি বোর্দর ট্রেদকী মতাংদা লোয়ননা ডিমোক্রেসি চৎপা লম অমগী জর্নেলিষ্টশিংগী অৱা-নুংঙাই অমদি রাইটকী মতাংদা ম্যান্মারগী জর্নেলিষ্টশিংনা য়াম্না খঙজিনবা মথৌ তাই। ম্যান্মারদা মিলিটরি গভর্নমেন্ট লৈরিঙৈদদি প্রাইভেট মীদিয়া হাউস লৈরমদে। ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসনগী বর্মীজ অমদি ইংলিস লোলদা ফোঙবা ডেলি ন্যুজপেপর অনীখক লৈরম্মী। কনাগুম্বা জর্নেলিষ্ট অমনা পাউ ফোঙগে হায়রবদি মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসনগী মখাদা লৈবা প্রেস স্ক্রুটিনি বোর্দনা সেন্সর তৌরবা মতুংদা পাউ অদু ফোঙহল্লম্মী। পাউমী নৎত্রগা মীদিয়া হাউস অমনা ইনিংবা ফোঙনিংবা পাউ ফোঙবা য়ারমদে। হায়রিবা স্ক্রুটিনি বোর্দ অসি কুমজা ২০১২ দা মুথৎখ্রে। মসিগী মতুংদগীদি প্রেসকী অশেংবা নীংতম্বগী মহাও ফংবা হৌখি। প্রেসকী নীংতম্বা ফংলবসু অৱাৎপা অমদি খঙগদবা ময়াম অমা লৈবনা য়ূম্লোন্নবা লৈবাকশিংদা চহী অমগী মনুংদা এক্সপিরিয়েন্সকীদমক জর্নেলিষ্টশিং থাই। হৌখিবা চহী খরা অসিদা থাইলেণ্ডগী চীংমাইনচিংবা মফমশিংদা থাদুনা মফমদুগী ইথনিক মিলিটরি ইসূ, লৈরিবা বর্মীজ রিফ্যুজীগী পুন্সি মহিং অমদি ম্যান্মার-থাইলেণ্ড অনীগী বোর্দর ট্রেদকী মতাংদা থাইগী জর্নেলিষ্টশিং য়াওনা ন্যুজ কোভরেজ অমদি রিপোর্টিং তৌমিন্নে। কুমজা ২০১০ দগী এন জি ও ওইনা লিংখৎখিবা ম্যান্মারগী অহানবা জর্নেলিজম ইনষ্টিট্যুট অমা ওইরিবা য়াঙ্গোন জর্নেলিজম স্কুলদগী মহৈরোয় ৩০০ রোম শিনফমসিদা মায় ওনশিনবা ঙমখ্রে। মখোয়শিংগী মনুংদা ইন্দিয়া, চাইনা অমদি ভিয়েটনামগী অচৌবা মীদিয়া হাউসশিংগী মশক নাইবা জর্নেলিষ্টশিংগা তোয়না ফাওনরগা থবক তৌবসু অৱাবা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

শেলগী অৱাবা লৈবনা স্কুল অদু য়াঙ্গোনগী অপ্পর পাজুনদাং রোদতা লৈবা বিল্ডিং অমগী অশানবা কা খরা চাউবা অনীদা চলাইরমখি। ঙরাং স্কুল ছুটি ওইবনা মণিপুরদগী চৎলিবা ডেলিগেসন টিম অদুনা মহৈরোয়শিং থেংনরক্ত্রবসু স্কুল অদুবু থৱায় য়াওনা শেন্নরিবা ওং টুন উগা থেংনদুনা হোটেল অমদা ৱারী শাখি। মণিপুরগী ডেলিগেট টিমনা ওং টুন উগা উনদুনা ৱারী শাখি। ডেলিগেট টিমগী মায়কৈদগীসু ভিসাগী প্রোব্লেম লৈতনা, শেলসু চঙদনা লাকপা য়ানবা নভেম্বর থাগী শঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মহৈরোয়শিং ইম্ফালদা থারক্লবা ৱাফম থম্লমখি। মণিপুর অমদি ম্যান্মার অনীগী প্রেস রিলেসনসিপ হেন্না ফহন্দুনা ক্রোস বোর্দর অনীদা ডিভলপমেন্ট লৈহন্নবা ৱাফমশিংসু খন্নখি।

হৌজিক ফাওবদা ম্যান্মারদা জর্নেলিজম তম্নবা স্কুল অনী-অহুম শুরে। অতোপ্পা অনীদুনা সেন্টর ফোর ম্যান্মার মীদিয়া ডিভলপমেন্ট অমদি ম্যান্মার জর্নেলিজম ইনষ্টিট্যুটনি। কুমজা ২০১২ গী মতুংদগীদি জর্নেলিষ্টকী বোদি কয়া থোরক্লে। হৌজিক ফাওবা জর্নেলিষ্টশিংগী য়াইফনবগীদমক ম্যান্মার জর্নেলিষ্ট নেটৱার্ক, ম্যান্মার জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমদি ম্যান্মার জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসননা অচৌবা থৌদাং লৌরি। প্রেসকী নীংতম্বা ফংলবসু প্রাইভেট মীদিয়া হাউস নিংথীনা চলাইবা ঙমদবনা মীদিয়া হাউস তরামরিরোম লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি মশিং হন্থরে। মসিগী মরম শেলগী অৱাবা লৈবননি। মীদিয়া হায়বসি য়াম্না ইনফোর্মেটিভ ওইবা মথৌ তাই হায়নসু মখা তাখি।



HL-P/2553/19,21,23,26,30Aug&3,7,15,19,23,27Sept&1,5 Oct.